হুইয়েন লানপাও

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ৫রকশুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ত্রিব্যুনগী লিগেল এদিটর সত্য প্রকাশনা লেকচর পীবা


লামায় ৩

কোংবা মরূ অপূনবা শেমগৎ লূপনা শীন্দুনা শজিবুগী ১৬ নি পানবদা কোংবা মরূ অতিংঙা সলাইরেল শিদবা মপূবু ঈরাৎ থৌনীবগী থৌরম



লূ-নানবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা এপ্রিল ১ দগী এপ্রিল ১৫ ফাওবা চয়োল অনী চুপ্পা চত্থগদবা স্বাছতা পাখ্বাদা ২০১৮ হৌদোকপা থৌরমগী শক্তম


লামায় ৩

ইমা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা নুপী ভেন্দরশিংখক্তগী ওইবা ফাইনান্সিএল সার্ভিসেসকা মরী লৈনবা এৱ্যেরনেস কেম্পেন হৌদোকপগী থৌরম


লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.011 | নিংথৌকাবা, শজিবু ১৭নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, April 02, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## HL POLL

Q : Eyong fina school uniform oihanbagi thoushil chatnahanba ngamdribasi pukchel sengba watpadagira?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : 2nd MR gi Arms Kote tagi nongmei 56 mang-e hairibasi narolda yonthoklamgani haina thajabra?

Yes 92% No 08%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

### অস! লোইরেহে!




# মণিপুরগী শক্লাইরবা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট খেলেন থোকচোম ঙরাং অয়ূক লৈখিদ্রে

## চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস): মণিপুরগী শক্লাইরবা পাউমী অমসুং দি টেলিগ্রাফ পাউচেগী স্পেসল করেস্পোন্দেন্ট খেলেন থোকচোম ঙসি অয়ূক পুং ৩ লোম তাবদা কার্দিয়ক এরেষ্ট তৌদুনা ইম্ফালগী রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে।

ইমুং-মনুংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মহাক মশা ঙল্লক্তবদগী ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎখি। হোস্পিটালদা ঙাইহাক লায়কন্নরবা তুংদা মহাক তাইবংপান থাদোকখি।

মশাগী চহী ৫৮ শুখ্রবা খেলেন থোকচোম মহাক্কী লোয়নবী, মচানুপা অমা অমসুং মচানুপী অমা থনম্মী।

খেলেন থোকচোম লৈখিদ্রে হায়বা পাউ হেক ফংবগা ইম্ফালদা লৈবা মমিং লৈরবা পাউমীশিং, এদিটর গিল্ড মণিপুরগী থৌমীশিং, এদিটরশিং মহাক্কী পোক্লফম লমদম তেরা তোংব্রম লৈকায়দা লাক্লখি। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন মশামক লৈখিদ্রবা খেলেন থোকচোমগী য়ুমদা লাক্তুনা লৈ কৎখি অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারমখি। মাহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, সী পি আইগী লুচিংবা ডো. এম নরা, সী এমগী মিদিয়া এদভাইজর ইরেংবম অরুন, এক্স মিনিষ্টর বিজয় কোইজমনচিংবা কয়াসু লাক্তুনা থৱায় য়াওদ্রবা খেলেন থোকচোমগী হকচাংদা লৈ কৎখি।



তুংদা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পুরক্তুনা মীয়াম্না লৈ-শু কৎনখি। মফম অদুদসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মশামক লাক্তুনা অমুক্কসু লৈ কৎখি। খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রম অমসুং শক্লাইরবা মীওই কয়ামরুমগা লোয়ননা মফম অদুদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা লাইরমলেনদা ঈংনা-চিক্না তিল্লুনবা থৌনীমিন্নখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙবগী থৌরম য়াওবা লাকপদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পাউমীশিংদা হায়খি, দি টেলিগ্রাফকী স্পেসল করেস্পোন্দেন্ট খেলেন থোকচোমনা লৈখিদবা অসি থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতে। মহাক অফবা জর্নেলিষ্ট অমনি, অফবা মীওই অমা ঐখোয় পূম্নমক্কী মরক্তগী মাঙজরবনি। মরূপ-মপাং অমা ওইনা হৌমিন্নরকপা খেলেন থোকচোমনা মীয়ামগীদমক লৌরম্বা থৌদাং থাগৎনিংঙাইনি।

মহাক্না হায়খি, ঙরাং মহাক্কীদা পাঙথোকপা প্রেস কন্ফরেন্সতা খেলেন থোকচোম শরুক য়াবা লাকখি। কুইনা উনদ্রবা মরূপ অদুনা মাগীদা লাকপদা ঙাইহাক্তং ৱারী শানখি। ইমুং-মনুংগী য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ইস্যু কয়ামরুমগী মতাংদা ৱারী শানখি। নোংমা নীনি অসিদা মহাক্কী য়ূমগী শঙ্গোইদগী মহাক্কী মচানুপানা তোংবা বুলেট মোটোর সাইকল অমা অমসুং এক্টিভা অমা হুরানখিবগী মতাংদা য়াম্না নুংঙাইতনা পাউ তল্লমখি। মহাক্কী ৱাফম অদু তারগা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ও সীদা টেলিফোন তৌদুনা গাড়ী হুরানবশিং অদুগী মরী-মখোঙ থিদোক্নবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-P/662/28Feb-2April

# নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক : পুলিস পার্সনেল নিপান সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস): সিক্যুরিটিনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা লৈরিবা অনীশুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী আর্মস কোটতগী ৯ এম এমগী পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ মফম খঙদনা মাঙখিবগা মরী লৈননা সেকেন্দ এম আরদা পোষ্টিং তারম্বা অমসুং হৌজিকসু পোষ্টিং তারিবা পার্সনেল নিপান থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

সস্পেন্দ তৌখ্রবা পার্সনেল ৮ অদুগী মনুংদা আই পি এস ওফিসর অমা, এম পি এস ওফিসর অহুম য়াওরি। আই পি এস ওফিসর অদুদি কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী সিনিয়র এস পি ফাওমৈ গোংলিন (এম এ-০৪)নি। এম পি এস ওফিসর অহুম অদুদি থার্দ আই আর বিগী সী ও ইন-চার্জ টি ঐচ বিক্রমজিৎ সিংহ, জিরিবামগী এদিসনেল এস পি (ওপস) কে অজিৎকুমার শর্ম্মা, ময়াং ইম্ফালগী এস দি পি ও হৈস্নাম বাসুলালনি।

সস্পেন্দ তৌখ্রবা অতৈ পার্সনেল মরি অদুদি অনীশুবা এম আরগী সুবেদার ফাওমৈ অকিন (জে সী নম্বর ৬০২), সেকেন্দ এম আরগী সুবেদার এল গোপেশ্বর (জে সী নম্বর ৩৩৯), সেকেন্দ এম আরগী হভিল্ডার এন পি দামোদরন (৬০৯৮৫) অমসুং সেকেন্দ এম আরগী রাইফলমেন নরায়ন ছেত্রি (০২৯৬০০৪) নি হায়রি।

মখোয় নিপান থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরে হায়বা য়াথং অদু মরি অমনা মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি দি পিনা থোকখি, অদুগা অতোপ্পা মরি অমনা দি জি পি, এল এম খৌতেনা থোকখি হায়রি।

নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক অসি কুমজা ২০১৪ গী ওক্টোবর ১১ দগী কুমজা ২০১৭ ফাওবগী মনুংদা থোকখিবা থৌদোকনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মথৌ তৌরম্বগীদমক মখোয়গী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি অমা তৌনবা মখোয়গী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপনি হায়রি। পনবা য়াবদি, ৱাথোক অসি থিগৎহন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্না এন আই এদা চে ইদুনা খঙহনখিবা লৈখ্রে।





# ফাননবা ঈ-পাউ পীবা মীওইদা লুপা ১,০০,০০০ গী রিৱার্দ পীগনি

হৌখিবা মার্চকী তাং ৩০, ইরাই নুমিৎকী অঙনবা অয়ূক্কী পুং ৪.১৫ তারকপা অদুৱাইদা মপান লমদগী লাকপা নন-লোকল ৯, য়েংবদা থবক শূবা মালহনবা গেঙ খূৎপু অমনা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা চলাইবা রিমস রোদতা লৈবা স্মার্ট মেদিকোসতা হুরানবা চঙদুনা স্মার্ট মেদিকোসকী লোক্করদা থম্বা লুপা লাখ ৫ অমদি মেদিকেল ষ্টোরগী পোৎলম কয়া নন-লোকল ৯গী খূৎপু অমনা হুরানবগী থৌওং অসিমক য়েক্লবা অমগুম্না অতম্না ফত্তবা থৌইনশিন অমগা লোয়ননা পরিং নাইনা লিশাং শিৎনা চত্থরক্লিবা অমদি লমদম অসিগী খুন্নাইলোন, খুন্থোকলোন অমসুং শেন্মীৎলোনবু খূদুম চন্নবগীদমক্তা ফোংনা মপাল শারকপনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই। মসিমক খুন্নাই অসিগী অমদি লমদম অসিগী পুরক্কদবা তুংগী চাউখৎপগী খোঙথাংশিংদা অচৌবা শীংনবা অমনি। ইরমদমসিগী লৈহাওদগী মচীন তুমখৎলক্লিবা অমসুং ময়োল চোংখৎলক্লিবা খুন্নাইরোইশিংবু মমু য়ৈথেক্লবগী লাল্লোং অমনি অমসুং মসিমক ঙসি ঙসিমক খুন্নাইসিদা থেংনরিবা অচৌবা শীংনবা অদুনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই।

ইরমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা মীয়াম পূম্নমক্কী সপ্পোর্টকা লোয়ননা চঙশিল্লকপা খোঙচৎ অসিদা সলাই অসি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি ইরমদম অসিগী থবক ফংদবা নহারোল কয়াবু মশা-মশাগী চানবা শিনফম পীদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়ামগী ওইখ্রবা অমসুং ঙসি ফাওবদা লমদম অসিগী কাঙলূপ-ফুরুপ খূদিংমক্না চহী ১০ চুপ্পা শম্না মফৈ অমগী অয়েৎ-অপন অমত্তা য়াওদনা ঈশিং চাইবীদুনা, হার হাপ্পীদুনা, মখোঙ শোন্বীদুনা মপূং মরৈ ফারক্তুনা মহয় য়ানবগী তাঞ্জা অদুবু খৌরাংনা ঙাইনরিঙৈগী তাঞ্জা অসিদা নন-লোকল মখোয় মাপননা তৌরক্লিবা থৌওং অসি চহী লিশাং শিৎনা লোন্না চত্থরকপা অরোনবা থৌইনশিন অদুবু খূদি থিদুনা মচৎ উথোক্তুনা সরকার অমদি খ্বাই মীয়ামবু মীকপ থোকহনবনি।

মতাং অসিদা ইরমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা কাঙলূপ-ফুরুপ খূদিংমক্কী লেংদবা অচঙবা লন ওইখ্রবা অৱাং নোংপোক্কী চহী ২০গী লম্বী অমসুং মায়কৈ য়াৎলিবা অরংবা থৱাম্মীচাক অমা ওইনা সলাইনা মখাগী ৱাহং মঙা অসি হঙ্গৎচরি :

১. জে সী আই এল পি এসনা মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা লৈঙাক্না মপূং ফানা পাঙ্গল থৌনা পীবীদুনা লৈবাক মীয়ামগী তুংকোইনা য়াইফগদবা পোলিসি অমা শেম্বা মতম ওইদ্রিবরা? অদুগা শেমলোইদবগী মরম লৈব্রা?

২. থৌদোক অসিমক পি এমগী জন ঔশাধি যোজনা অমসুং ইরমদম অসিগী সী এমগী চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং হায়না মিংথোনবা লায়রবা প্রজাশিংদা মান্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা হকশেলগী খূদোংচাবশিং অসিবু মপূং ফানা অকক্লবা মতমদা মায় পাকপা মায়কৈরোমদা পুনবা তুম্বা-চাবা খঙদনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনরিবা অসিদা অকায়বা, অপনবা অমসুং অয়েৎপা পীরিবা অসিমক পাল্লিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীসিবু ফোংনা শীংনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা?

৩. অয়ূক্কী মীশক মীশা খঙবা ঙল্লবা মতমদা সহরগী ময়োলমক্তদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূরক হাংদনা অহিং-নুংথিল নাইদনা মথৌ পাঙথোক্লি হায়না হায়বীরিঙৈ চৈরকসিদা নন-লোকল মাপনগী গেঙ খূৎপু অমনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মেইন রোদমক্তদা অমসুং অকোয়বদা মীনা কুঙনা তারিবা মফম অমদা মিনিট ৩০-৪০ চুপ্পা মশাদা থুক্কৎপা অমত্তা য়াওদনা শগুন তৌবা ঙম্বা হায়বসি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী পুং ২৪ এলর্টতুগী ৱাহন্থোক্তু লৈরিব্রা?

৪. হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসিমক্না লমদম অসিগী ঈশিং, নুংশিৎ অমদি মহৌশাগী ফজবগা লোয়ননা হিংলিবা খুন্নাই অসিগী চাউখৎপগী মায়কৈদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াদুনা হৌমিন্নরক্লিবা নন-লোকলশিংগী শেংজরবা থম্মোয় অমদি মায়থোংদা অমুবা কালি তৈবতা নৎতনা ইশাগী ইখোঙদা শীংজংনা য়ানশিনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা? নৎত্রগদি হিংমিন্নরিবা নন-লোকলশিংগী তোঙান-তোঙানবা বোদিশিংনা জে সী আই এল পি এসকী চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মরুওইবা রোল অদু লৌরোইদবগী মচাক লৈব্রা? তশেংনা শেংদোকফম থোক্তব্রা?

৫. থোক্লিবা থৌদোক অসিনা অঙানবা অয়ূক্কী য়েনখোং তম্বগুম থম্মোয় চাওবা, মীনুংশি চাওবা ঈ-মরীগী ইচিল-ইনাও খরনা ইশাগী হিংনবগী লম্বী অমা ওইনা থোঙ লাউনা হাংদুনা শক-কুচু অমদি মরমচৎ য়েংদনা অমসুং পীখৎফম থোকপা অশেংবা শক্তাক চে অদু মরী লৈনবশিংদা য়ৌহনদনা, নোংমা কাংদনা ঈশিং ঈচাওগুম মায়কৈ মরি শুংদাই নিপালদগী লেপ্তুনা হাইজিল্লক্লিবা নন-লোকলশিংবু চঙজফম পীরিবা অসিদা মীৎকুপ-নাহুম শিংনা শেন্নবগী তঙাইফদবা অদু ওইদ্রিবরা?

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মখোয় মাপন অসিগী লম্বী লিখুল (ঈ-পাউ) তাক্তুনা পুথোকপা ঙম্বদা মথক্তা পল্লিবা লুপা লাখ ১গী রিৱার্দ অসি খূৎশিন্নজগনি।

*Please Contact :*
**N. Samarjit Singh**, National Awardee
Chairman & Managing Director,
SALAI Holdings Private Limited
M : +91 8131898261
+91 7005146484


HL-P/5052/02